

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, AUGUST 02, 2019 **PAGE 7**




*ইংলেন্দগী ক্লব আর্সনেলনা ফ্রান্সকী ক্লব লিল্লেদগী য়ুরো মিলিয়ন ৭২ দা শান্নবগী লৌশিনখ্রবা আইভোরি কোষ্ট মচা নিকোলাস পেপে*

*বেষ্ট ফিফা ৱুমেন'স প্লেয়র এৱার্দকী শান্নরোই ১২ সোর্টলিষ্ট তৌবদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরিবা য়ু এসকী শান্নরোই মেগান রেপিনো*

## ওলিম্পকক্তা গোল্ড মেডলগী মীয়াম্না শাগৎচবদুদি অরাইবনি, লুরিবদি ওইথোকহনবদুনি ঃ মেরি কোম

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ*

ওলিম্পিকক্তা গোল্ড মেডলগী মীয়াম্না শাগৎচবদুদি অরাইবনি অদুবু লুরিবদি মদু ওইথোকহনবা হায়বদুনি হায়না ৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী মণিপুরগী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোম্না ঙসি ফোঙদোকখ্রে।



*ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ৬ লক ওইখ্রবী নুপী বোক্সর মেরি কোম*

জপানন্না য়ুম্ব ওইদুনা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা টোকিও ওলিম্পিক গেমসতা লৈবাক অসিনা ঐঙোন্দা গোল্ড মেডল লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা ঙল্লি। মসিদা নত্তনা ইন্দিয়াগী মীয়াম্নসু ঐহাকপু গোল্ড মেডল লৌরক্কনি হায়বগী মঙলানদা লৈরিবা অসিগীদমক ঐহাক্কী ৱাখলদা য়াম্না চাওথোকচবা পোকই।

লৈবাক অসিগী মীয়াম্না মঙোন্দা থল্লিবা গোল্ডগী মঙলান শাগৎলিবা অদুদি অরাইবনি অদুবু লুরিবদি থবক্তা ওন্থোকপদুনি হায়না মমিং লৈরবা ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর এম সি মেরি কোমনা ফোঙদোকখ্রে।

ঐখোয়না তমশিনগদবা ময়াম অমা লৈরি অমসুং মসিগীদমক য়াম্না কন্না হোৎনবগী মথৌ তাই। লৈবাক্কী অমদি মীয়ামগী নীংবা থুংহন্নবগীদমক মহাক্কী মায়কৈদগী লৈজবী থাক্তা হোৎনগনি হায়না ৬লক ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন ওইখ্রবী এম সি মেরি কোম্না ন্যুজ চেনেল অমগা উন্নবদা ফোঙদোকখি।

লন্দন ওলিম্পিক ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট মেরি কোম্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা টোকিও ওলিম্পিক্স অসিদা গোল্ড মেডল ফংনবগীদমক থাক নাইনা হোৎনবগী মথৌ তারি। মসিদা হাথু–হাথু তৌবনা কান্নবা পুরক্লোই। ওলিম্পিক্সকীদমক ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনবদা ঐহাক্কী ওইবা অচৌবা থৌদাং লৈ হায়নসু মখা তাখি।

ওলিম্পিক্স ক্বালিফিকেসন অসিনা হৌজিক্কী ওইনা খ্বাইদগী মরুওইবা টোপিক্নি। করিগুম্বা ঐহাক্না অমুক্তং ক্বালিফাই ওইখ্রগদি তপ্না তপ্না হোৎনদুনা মহাক্কী অমদি লৈবাক্না মঙোন্দা থল্লিবা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনগনি, লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগীসু অঙম্বা থাক্তা হোৎনগনি হায়না মেরি কোম্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

নীংশিংবা য়াই, এম সি মেরি কোম হন্দক্তা ইন্দোনেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ২৩শুবা প্রসিদেন্টস কপ্তা নুপীগী কেজি ৫১ গী কেটেগোরিদা গোল্ড মেডল ফংবা ঙমখিবনি।

মহাক্কী ৱেঠ কেটেগোরি হেনগৎপগী মরমদা ন্যু চেনেল অসিনা হংখিবদা মসিনা মঙোন্দা ইশু অমা নত্তে হায়না মেরি কোম্না ফোঙদোকখি।

ৱেঠ কেটেগোরি হোংলকপা অসি অচৌবা ইশু অমা নত্তে, মসিনা ঐঙোন্দা অরুবা অমা ওইদে। ৱেঠ কেটেগোরি ৪৮ কেজি অমদি ৫১ কেজি অসিদা থোইনা খেন্নবা লৈতে। হৌজিক্তি কেজি ৫১ গী কেটেগোরি অসিদা এক্সপরিয়েন্স য়াম্না লৈরে। মসিগীদমক ঐনা তোঙান–তোঙানবা মওংদা য়াম্না কন্না হোৎনরি হায়নসু মেরি কোম্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## ইন্দিয়াগী বোক্সর মরি রুশিয়াগী ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টকী সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রে

*কাস্পিস্ক, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ*

রুশিয়াগী সিটি কাস্পিস্কতা চথরিবা মাগোমেদ সালাম উমাখানোভ মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী বোক্সর মরি সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মেডল শোয়দনা ফংলগনি।





সেমি ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৪ অদুদি এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ গোল্ড মেডালিষ্ট পুজরা রানি (কেজি ৭৫), ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট লোভলিনা বোরগোহেন (কেজি ৬৯), নিরজ (কেজি ৫৭) অমদি জোনি (কেজি ৬০) নি।

এসিয়ান চেম্পিয়ন্সিপ গোল্ড মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী নুপী বোক্সর পুজা রানিনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৭৫ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্বু লৈবাক রুশিয়াগী বোক্সর লোরা মামেদকুলোভাবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কেজি ৬৯ গী ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপকী ব্রোঞ্জ মেডালিষ্ট ইন্দিয়াগী বোক্সর লোভলিনা বোরগোহেননা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুরম্বু লৈবাক রুশিয়াগী বোক্সর অনাষ্টেসিয়া সিগেভাবু য়াম্না হেনবা মওংদা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা বেলারসকী বোক্সর এলিনা ভেবেরগা ফাইনেল য়ৌনবগীদমক থিন্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী কেজি ৫৭ কী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নিরজনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমদা রুশিয়াগী বোক্সর সায়ানা সাগাটেভাবু পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

নুপাগী কেজি ৬০গী কেটেগোরিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী বোক্সর জোনিনা ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা বেলারসকী বোক্সর অনাষ্টেসিয়া ওবুসেনকোভাবু য়াম্না লাকচনা পোইন্ট ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপীগী কেজি ৫১ গী কাঙলূপ্তা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী বোক্সর পিঙ্কি রানি ঙসি থিন্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল বাওটতা বেলারসকী বোক্সর য়ুলিয়া অপানাসোভিসকী মখূত্তা য়াম্না শোত্থনা পোইন্ট ০–৫ দা মায়থিহৌবদগী মেডল রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

নুপাগী কেজি ৫২ গী কাঙলূপ্তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী আসিস ইনসানা অজরবাইজানগী সলমান এলিজাদেবু প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল বাওট অমতা পোইন্ট ৪–১ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।

নুপাগী কাঙলূপ্তা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদি কুমজা ২০১৮ কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসকী গোল্ড মেডালিষ্ট গৌরভ সোলানকি (কেজি ৫৬), জি বি বোক্সিংগী সিলভল মেডালিষ্ট গোবিন্দ সাহানি (কেজি ৪৯) অমদি কুমজা ২০১৮গী ইন্দিয়ান ওপনগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবা সঞ্জিৎ (কেজি ৯১) নি।

২১শুবা মাগোমেদ সালাম উমাখানোভ মেমোরিয়েল ইন্টরনেসনেল বোক্সিং টুর্নামেন্ট অসিদা মালেমগী তোঙান–তোঙানবা লৈবাক ২১ দগী লাকপা বোক্সর ২২০ না তোঙান–তোঙানবা কেটেগোরিশিংদা লম্বা তৌনরিবনি। টুর্নামেন্ট অসিদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী নুপা বোক্সর ৬ অমদি নুপীগী বোক্সর ৫ না শরুক য়ারি।

## ইন্দিয়াগী সাটৱিক অমদি চিরাগনা ৱার্ল্ড নম্বর ৭ থোইদুনা নুপাগী দবলসতা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সাইনা অমদি স্রিকান্থ মায়থিহৌরে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ*

থাইলেন্দগী কোনুং বেঙ্কোক্তা চথরিবা য়ু এস দোলর ৩৫০,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র সাটৱিক সাইরাজ অমদি চিরাগ সেথিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৭ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অলফিয়ান অমদি অরদ্রিয়ান্টোবু মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে, সাইনা নেহৱাল অমদি কিদম্বী স্রিকান্থ অনীশুবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।



থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী পেয়র সাটৱিকসাইরাজ অমদি চিরাগ সেথিনা ৱার্ল্ড নম্বর ৭ ইন্দোনেসিয়াগী পেয়র অলফিয়ান অমদি অরদ্রিয়ান্টোবু মিনট ৩৯ চঙনা শান্নবা মতুং ২১–১৭, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌদুনা সাউথ কোরিয়াগী পেয়র চোই সোলগিয়ু অমদি সিও সিয়ুং জেগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা ৭শুবা সিদেদ ওইরিবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল সিদিং ফংদনা শরুক য়ারকখিবা জপানগী শান্নরোই সায়াকা টাকাহসিগী মখূত্তা ২১–১৬, ১১–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী মকোক থোংবা সিঙ্গলস শান্নরোই কিদম্বী স্রিকান্থসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা থাইলেন্দগী শান্নরোই খোসিট ফেটপ্রাদাবকী মখূত্তা ২১–১১, ১৬–২১, ১২–২১ দা মায়থিহৌদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই অনী লম্বা তৌনখিবদা বি সাই প্রনিথনা সুভাঙ্কর দেবু ষ্ট্রেট গেম অনী ২১–১৮, ২১–১৯ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৭শুবা সিদেদ জপানগী কান্টা সুনেয়ামাগা শান্নরগনি।

জপানগী কান্টা সুনেয়ামানা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা থাইলেন্দগী সিথিখোম থামাসিনবু গেম অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ১৮–২১, ২১–১১, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোই পরুপল্লি কাশ্যপসু ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনগী মখূত্তা ৯–২১, ১৪–২১ দা মায়থিহৌবদগী লৈহৌখি।

চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেননা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৬শুবা সিদেদ জপানগী শান্নরোই কেন্টা নিসিমোটোগা শান্নরগনি। নিসিমোটোনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোই ঐচ এস প্রনোইবু ২১–১৭, ২১–১০ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

থাইলেন্দ ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী চাইনাগী চেন য়ুফৈনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা সাউথ কোরিয়াগী কিম গা ইয়ুনবু ২১–১০, ২১–১৬ দা মায়থিবা পীরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মালেসিয়াগী শান্নরোই সোনিয়া চিহাগা শান্নরগনি। সোনিয়া চিহানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৫শুবা সিদেদ চাইনাগী হি বিংজিয়াওবু ২১–১৫, ২১–১২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ অমদি আশ্বিনি পোনাপ্পানা ইন্দোনেসিয়াগী প্রাসেটিয়া অমদি ইসলামীবু ২১–১৮, ২১–১৯ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ৩শুবা সিদেদ জপানগী ৱাটানবে অমদি হিগাসিনোগা শান্নরগনি।

থাইলেন্দগী ওপনগী মিক্স দবলসতা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী পেয়র প্রনব জেরি চোপ্রা অমদি এন সিক্কি রেদ্দি ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ হোং কোংগী পেয়র টাং অমদি সেগী মখূত্তা ১৬–২১, ১১–২১ দা মায়থিহৌবদগী লৈহৌখি।

## অস্বারিয়া প্রতাপনা মাষ্টর্স সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপকী নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল–থ্রি পোজিসনদা গোল্ড লৌখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ*

ন্যু দিল্লিদা লৈবা ডা. কর্নি সিংহ সুট্টিং রেঞ্জতা চথরিবা ১২শুবা সরদার সাজন সিংহ সেথি মাষ্টর্স সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ্তা অস্বারিয়া প্রতাপ সিংহ টোমরনা মিটর ৫০গী রাইফল–থ্রি পোজিসনদা গোল্ড মেডল লৌখ্রে।



সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল–থ্রি পোজিসনগী ফাইনেলদা আস্বারিয়া প্রতাপ সিংহ টোমরনা নিরজ কুমারদগী পোইন্ট ১.২ হেন্দুনা পোইন্ট ৪৫৯.৯ দা গোল্ড মেডল লৌখি।

নুপাগী মিটর ৫০গী রাইফল–থ্রি পোজিসন অসিগী জুনিয়র কাঙলূপ্তা নিরজ কুমারনা পোইন্ট ৪৫০.০ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডল অদুনা আস্বারিয়া প্রতাপ সিংহ টোমরনা পোইন্ট ৪৪৮.৮ দা ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা গোহিল হরস্রাজ সিনহজিনা পোইন্ট ৪৩৮.৫ দা লৌখি।

ইভেন্ট অসিদা নিরজ কুমারনা পোইন্ট ৪৫৫.৫ দা সিলভর মেডল ফংখি অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পারুল কুমারনা পোইন্ট ৪৪৪.২ দা লৌখি।

নুপাগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টকী ফাইনেলদা টিনজিৎনা পোইন্ট ২৪০.৮ দা গোল্ড মেডল লৌখি। রাভিন্দর সিংহনা পোইন্ট ২৪০.৩ দা সিলভর মেডল ফংলগা উদেভির সিধুনা পোইন্ট ২১৮.২ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্ট অসিগী জুনিয়রগী সেক্সনদা ভিজয়ভির সিধুনা পোইন্ট ২৪২.৯ দা গোল্ড মেডল লৌখি। উদেভির সিধুনা পোইন্ট ২৩৯.৩ দা সিলভর মেডল লৌরগা আর্জুন সিংহ সিমানা পোইন্ট ২১৮.২ দা ব্রোঞ্জ মেডল লৌখি।

১২শুবা সরদার সাজন সিংহ সেথি মাষ্টর্স সুট্টিং চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী শরুক অমা ওইনা ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল ইভেন্টতা ইসা সিংহনা পোইন্ট ২৩৯.৫ স্কোর তৌদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা রুচিতা ভিনরকরনা পোইন্ট ২৩৮.৬ তা লৌখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা পি শ্রী নিভেথানা পোইন্ট ২১৭.৬ তা ফংখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র পিষ্টোল অসিগী জুনিয়র কাঙলূপ্তা ইসা সিংহনা পোইন্ট ২৩৯.৭ ফংদুনা গোল্ড মেডল লৌখি। প্রিয়া রাঘভনা পোইন্ট ২৩৭.৫ দা সিলভর মেডল ফংখি। অদুগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা খুসসিরাট কোর সান্ধুনা পোইন্ট ২১৭.৫ দা লৌখি।

নুপীগী মিটর ৫০গী রাইফল প্রোন ইভেন্টতা অঞ্জুম মোদগিলনা পোইন্ট ৬২১.৩ দা গোল্ড মেডল লৌখি। ইভেন্ট অসিগী সিলভর মেডলনা কাজল সাইনিনা পোইন্ট ৬১৬.৭ দা ফংখি। ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা মিনা কুমারিনা পোইন্ট ৬১৬.২ দা লৌখি।

## গ্রিসকী সিটসিপাস সিটি ওপনগী অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে

*ৱাশিংটন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ*

য়ু এস এগী ৱাশিংটনদা শান্নরিবা সিটি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা গ্রিসকী শান্নরোই ষ্টেফানোস সিটসিপাস মায়পাক্লুনা অহুমশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।





টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস কাঙলূপ্তা অহানবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী ষ্টেফানোস সিটসিপাসনা য়ু এসকী টি পোলবু ৬–৩, ৭–৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী জে থোমসনগা লম্বা তৌনরগনি।

ওষ্ট্রেলিয়াগী জে থোমসন্না ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা ১৪শুবা সিদেদ জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুফপু সেট অহুম চঙনা শান্নরবা মতুং ৬–৭(৮–১০), ৬–৪, ৭–৫ দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ য়ু এসকী জোন ইসনরনা অনীশুবা রাউন্দদা পোলেন্দগী হুরকাজবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ১০শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী বেনোট পাইরেগা শান্নরগনি। পাইরেনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী পোলমাসপু ৬–৩, ৬–৭(৫–৭), ৭–৬(৭–৫) তা থোইরম্বনি।

জপানগী ৱাই নিসিয়োকানা ৭শুবা সিদেদ বেলজিয়মগী দেবিদ গোফিনবু ৬–৭(৫–৭), ৬–২, ৭–৬(৭–৫) দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিওসকা শান্নরগনি। কিরগিওসনা অনীশুবা রাউন্দদা ১১শুবা সিদেদ ফ্রান্সকী গাইল সাইমোনবু ৬–৪, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ফ্রান্সকী কৃষ্টিনা লাদেনোভিসনা য়ু এসকী ঐচ বেপ্টিসপু ৬–৪, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেলদা রুশিয়াগী এ কালিন্সকয়াগা শান্নরগনি।

রুশিয়াগী কালিন্সকয়ানা অনীশুবা রাউন্দদা ৮শুবা সিদেদ প্যুটো রিকোগী মোনিকা প্যুগপু ২–৬, ৭–৬(৭–৫), ৬–৪ দা থোইরম্বনি।

## রাপিনোনা সোর্টলিষ্টতা মকোক ওইরি

*লোজেন, ওগষ্ট ০১ (এজেন্সি)ঃ*

ফিফানা পীগদবা খ্বাইদগী ফজবা ৱুমেন'স প্লেয়র এৱার্দকী সোর্টলিষ্ট তৌবদা য়ু এসকী শান্নরোই মেগান রাপিনোনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ষ্টার মেগান রেপিনোগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী অতোপ্পা শান্নরোই ৩ বেষ্ট ফিফা ৱুমেন'স প্লেয়র এৱার্দকী নোমিনি ১২গী মনুংদা য়াওবা ঙল্লি।

নীংশিংবা য়াই য়ু এসকী নুপী ফুটবোল শান্নরোই মেগান রেপিনোনা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা ফিফা ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ্তা মেটচ ৫ শান্নবদা গোল ৬ চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা য়ু এসকী টিম্না টুর্নামেন্ট অদুগী ট্রোফিসু লৌবা ঙমখিবনি।

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ২৩ দা ইটালিগী সিটি মিলানদা য়েঙ্থোক্কদৌরিবা বেষ্ট ফিফা ৱুমেন'স প্লেয়র এৱার্দ অসিদা মমাঙদা এৱার্দ অসি ফংখ্রবী মার্টা, লিয়েকে মার্টেন্স অমদি কার্লি লোইদ সোর্টলিষ্টতা য়াওবা ঙমখিদ্রে।

### ক্রোসৱার্দ ২৩৭ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | A | R | E | | C | E | E | S | | S | T | E | E | L |
| O | M | E | N | | B | L | A | H | | T | R | A | D | E |
| L | O | B | S | | S | O | S | O | | R | A | V | E | N |
| A | R | E | N | A | | P | E | R | T | I | N | E | N | T |
| R | E | L | A | P | S | E | | T | O | P | S | | | |
| | | | R | E | T | R | A | C | T | | I | T | C | H |
| C | A | M | E | R | A | | S | U | E | | T | I | R | E |
| O | N | A | | | | A | P | T | | | | N | O | R |
| A | N | T | S | | A | V | E | | E | S | C | A | P | E |
| L | E | S | T | | G | E | N | E | R | A | L | | | |
| | | | E | W | E | R | | L | A | R | I | A | T | S |
| I | M | P | R | E | S | S | E | D | | I | N | T | R | O |
| R | A | I | N | S | | I | D | E | S | | T | O | U | R |
| I | N | L | E | T | | O | G | R | E | | O | N | C | E |
| S | E | E | R | S | | N | E | S | T | | N | E | E | R |


**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION MANIPUR**

**NOTIFICATION**

Imphal, the 1st August, 2019

**No.1/276/03-HSC(Vol-II):** In pursuance of Resolution No 7.1 of the Council meeting held on 22-07-2019 it is hereby notified to all concerned Principals of the Colleges and Higher Secondary Schools under the Council of Higher Secondary Education, Manipur that the weekly detailed work-load for each teachers for both theory and practical classes should be submitted to the office of the undersigned on or before 31st August, 2019 to the performa provided for the purpose to each and every institution

This much be treated as most **important and mandatory.**

*Sd/-*
Ch. Biren Singh
Secretary
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

*SL/B(COHSEM)/02*